হুইয়েন লানপাও

Refreshingly Readable

চাইল্ড ট্রাফিক্কিং এন্দ চাইল্ড সেক্সচুয়েল এসোল্ট হায়বা হীরমদা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন্দা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কন্সল্টেটিব প্রাগ্রাম

লামায় ১

ওল মণিপুর হুইয়েন লাল্লোং এন্দ ত্রেদিস্নেল কলচর প্রিজর্বেসন কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা চীং-তম ত্রেদিস্নেল কলচর ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরম

লামায় ১

ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল পীছ কনফরেন্সতা শরুক য়াবীনবা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা স্পিরিচুয়েল লুচিংবা দলাই লামা উনবা

লামায় ১

টেম্পরেরি মার্কেট সেদতা মথৌ তৌরিঙৈদা ৱান্থরকপদগী লৈখিদ্রবা কেদোগী থৌমী থোকচোম লকিদা মীয়াম্না ঈকায় খুম্নবা উৎপগী শক্তম

লামায় ১

Vol. 41, Issue No.162 | লৈবাকপোকপা, লাংবন ১৪নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, September 05, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৮৮
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.৭১

য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪: লৈবাক অসিগী অহানবা প্রসিদেন্ট ডা. সর্ভপল্লি রাধাকৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ওজাশিংগী নুমিৎ থৌরমগী মাঙওইননা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নজমা হেপ্তুল্লা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোক রাধেশ্যামনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা ওজাশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। গভর্নরগী পাউজেলগী চেরোল অসিনা হায়, মীয়াম্না এদ্যুকেসনিষ্ট অমসুং স্কোলর ওইনা শকখঙনরবা লৈবাক অসিগী অহানবা প্রসিদেন্ট ডা. এস রাধাকৃষ্ণন ওজাশিংগী মরুওইবা থৌদাং অদু খঙদুনা অমসুং হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা নীংথিনা লাইরিক লাইশু তম্বীনবগী ৱাখল্লোন্দা ওজাগী নুমিৎ থৌরম অসি পাঙথোক্লবা কয়াৎ শেল্লম্বনি। ওজাগা মহৈরোয়শিংগা য়েলহৌঙৈদগী লৈনরকপা ফজরবা মরী অদু হৌজিকসু স্কুল, কোলেজ অমসুং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	76.186007
US Dollar	64.021577
British Pound	82.894797
Australian Dollar	50.879715
Chinese Yuan Renminbi	9.807126
Japanese Yen	0.584059
Malaysian Ringgit	14.988951
Norwegian Krone	8.201507
Singapore Dollar	47.171662
South Korean Won	0.056671
Swedish Krona	8.038428
Turkish Lira	18.671297
Myanmar Kyat	0.04711
Bangladesh Taka	0.78747

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30812.83
Mumbai	–	Rs 31272.73
Delhi	–	Rs 30802.14
Kolkata	–	Rs 31229.95

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩২.৫৭ °C	২৪.৮১ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩০.৬৩ °C	২২.৯৬ °C
সেনাপতি	২৫.৪৭ °C	২১.৪৫ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২১.০২ °C	১৭.২৪ °C
মণিপুর	৩২.৭৯ °C	১৭.২৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৯২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

HL POLL

Q : Two wheeler thoubata nattana atongba misu helmet upkadabani haibasi chatnahanba ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Greater Nagaland sembagi wafam centerna thabakta onthorakkani haibagi thajaba leibra?

Yes 14% No 86%

অস! লোইরেহে!

য়াম্না পীরক্লনি হায়দুনা ঙন্তা লাক্লগা তৌরম্লিবসিনা করিনো...?



অঙন্বা ময়াম লৈরিমান্নে...!

কেন্সর হোস্পিটাল হাঙদোক্লবা দি পি আর শেম্বা লোয়শিল্লক্লে : সী এম

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০৪ (ঐচএনএস): কেন্সর হোস্পিটাল অমা জেনিমসতা হাঙদোক্লবগী মতাংদা দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট শেম্বা লোয়শিল্লক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

জেনিমসতা ইন্সটিট্যুসন ওফ দেন্টেল সাইন্সেস হাঙদোকপগী ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা মহাক্না হায়খি, অনাবগা ডোক্তরগগী মরক্তা পাউ ফাউদোক্লবা অমদি ডোক্তর অমদি নর্সশিংনা অনা লায়েংলিঙৈদা অনাবা অদুগী মরী-মতাশিংগা মরী ফনা লৈবা তঙায়ফদে।

জেনিমসকী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খি, অনা লায়েংদা হিদাক লাংথক থাবগী মথক্তা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ৱাহে শীজিন্নবসু অনাবা অমা ফহনবদা য়াম্নমক মতেঙ পাঙই। ডোক্তরশিং অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং অসি মখোয়গী হৈথোয় শিংথোইবা অমদি অনা লায়েঙগী লমদা পুথোকপা অনৌবা ৱাখলগীদমক্তা লৈবাক শীনবা থুংনা ইকায়খুম্নরি। ডোক্তর অমসুং পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা প্রোফেস্নেল ইথিক্স ঙাক্লা থবক তৌদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা অমদি মতেঙ পাঙনবা মথৌ তাই। মীওইবা খুন্নাইদা খ্বায়দগী চাউখৎপা থাক্তা লাকপসি অনৌবা পোৎলমশিং পুথোকপা খক্তা নত্তে। থকসি খাসি ঙাকপগী চৎনবী অমা শেমগৎপা অসিনা মীওইবা খুন্নাইগী চাউখৎপগী লম্বী অমসুনি।

জেনিমস অমদি জেনিদসকী ষ্টাফশিং অমদি ফেকল্টিশিংনা ইন্সটিট্যুট অসিগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিগী মফম পুন্নমক্তগী মহৈরোয়শিং অমদি অনাবশিং লাক্লবগীদমক মশক থোকপা ইন্সটিট্যুট অমা ওইনা শেমগৎপগী তঙায়ফদবা লৈ। জেনিমসকী ওফিসলশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব ষ্টাফশিংনা হৌজিক খুৎশু খুৎলায় ৱাৎপগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনবা চঙই। ৱাৎলিবা ষ্টাফ মশীং অসি অথুবা মতমদা মেনশিন্নবা হোৎনরগনি। মথৌ তাবা মেছিনশিং অমদি ইক্যুইপমেন্টশিং থল্লবা মতুংদা ন্যুরো সর্জরি দিপার্টমেন্ট অসি মপুং ফানা মথৌ তৌরগনি।

জেনিমসকী এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা ইন্সটিট্যুট অসি অপগ্রেদ তৌনবা অমদি মওং তানা চলায়নবা ৱারোল পীখৎলকউ। পন্থুং অমা য়ৌনবা হোৎনবদা তুংকোইনা চৎনবা য়ানবা হোৎনবা অসি য়াম্না মথৌ তাই। খুন্নাই অসিদা অনৌবা অওনবা অমা পুরক্লবগীদমক অনৌবা লৈঙাক অসি শেমখিবনি। ষ্টেট অসিদা চাউখৎপা অমদি অওনবা পুরক্লবগীদমক ইলেক্সন মমাঙদা ৱাশকখিবশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী শেল-থুম লান্না শীজিন্নবা অমদি অমোৎপা লৈরম্বদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈথোক্লোই। মীয়ামগী অপাম্বশিং কৈদৌনুংদা লৈঙাক্লা মীরায়বা তৌরোই। লৈঙাক অসিনা লায়রবদগী লায়রবশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক মতেঙ পাঙনবা লেপ্লি।

লমদম অসিগী মীয়াম্না তুংদা হৌরক্লিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

য়েলহৌমী কনবগী খোঙজং হৌবা ওইনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে

NINGTHAM MEEPHAMDA ILP BILL PASS TO

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা কাঙলোন অমগী মখাদা মীতোপশিং চঙহন্নবা লো শেমউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)গী খোঙজং অমুক হৌবা ওইনা ঙসি ইম্ফাল মনুংদা মীয়ামগী ৱা ঙাংদবা খোঙচৎ চৎখ্রে।

মহৈরোয়শিং, জে সী আই এল পি এসকী থৌমীশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটিগী থৌমীশিং য়াওনা পুন্না মীওই চা কয়ানা সেগা রোড কোঞ্জেং হজারি লৈকায়দা লৈবা জে সী আই এল পি এসকী ওফিস মমাঙদগী লূপ অসিগী কনভিনর আর্জুন তেলহৈবনা লুচিংদুনা ৱা ঙাংদবা খোঙচৎ অদু চৎপা হৌখি।

মীয়ামগী খোঙচৎ অদুনা লেপ্তুনা লাকপনা কৈশাম্পাৎ ট্রাফিক আইলেন্দ য়ৌরকপদা পুলিসনা থিংখি। অদুবু জে সী আই এল পি এসকী থৌমীশিংগা পুলিসকা ৱারী শানরবা মতুংদা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু কৈশাম্পাৎতগী ৱাহেং লৈকায়, নাগামপাল ফাওদুনা লাক্লগা খুয়াথোং তন্না লাকখি। মফম অদুদগী নোর্থ এ ও সী, মিনুথোং অমদি চেক্কোন, কোনুং মমাঙ, পেলেস কম্পাউন্দ অমদি থুম্বু থোং ফাওদুনা লাক্তুনা কৈশামথোং তোপ লৈরক ফাওনা লাকখি। মতুংদা টিদ্দিম লম্বী তারক্লগা জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা লমথুংখি।

ৱা ঙাংদবা খোঙচৎ অদুগী মতাংদা জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর আর্জুন তেলহৈবনা ফোঙদোরকপদা, আই এল পি চৎনহন্নবা খোল্লাউ লাউদুনা লাকপা অসুক্কী মতীক কুইরে। মণিপুরগী চীংমী-তম্মী পুল্লগা হন্দক্কী এসেমব্লি নিংথম মীফমদা বিল পাস তৌনবা তকশিনগনি। মীতোপশিং চঙশিল্লকপদগী মীতোপকী মশিংগা য়েলহৌমীগী মশিংগা মান্নরক্লে। মখোয় য়ামশিল্লকপদগী মখোয় ভোট লেপ্পা য়াবগী অকিবা লৈরে। মীতোপশিংনা ভোট লেপ্পা অমসুং থাদবগী রাইট হান্নদগী পীদুনা লাকই। অদুবু হন্দক পঞ্চায়টকী মীখল অসিদগী হৌরগা ভোট লেপ্পা অমদি থাদবা য়াহল্লোইদবনি হায়খি।

দলাই লামা ইম্ফালদা লাক্লবা হায়জখ্রে : খেমচান্দ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): মণিপুরদা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা ইন্টরনেসনল পীছ কনফরেন্সতা য়াওবিনবা স্পিরিচুয়েল লুচিংবা দলাই লামাদা হায়জখ্রে হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা স্পীকরগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা স্পীকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, হিমাচল প্রদেশ য়ুনিভর্সিটিনা ইনভাইট তৌরকপদগী য়ুনিভর্সিটি অদুদা কনফরেন্স অমা য়াওরুই। ত্রাইবেল ওফ ইন্দিয়া হায়বা হীরমদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

মণিপুরগী ওইবা য়েলহৌঙৈগী ৱারী কয়া অমদি নাৎকী ওইবা হীরম কয়াসু পুথোকখি। হিমাচল প্রদেশতা হন্দক চৎলুবা অদুদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়া খঙবা ঙম্লকখি। হিমাচল প্রদেশতা লমদম অদুগী লৌমীশিংগী লৌফম অতোপ্পা মফমদগী লাকপা মীতোপ্পা লৈবা য়াদে। লমদম অদুগী মীওইনা লৌফম লৈবদি য়াই। মশাগী ওইবা লেন্দ লো অমা চৎনহৌই। হিমাচল প্রদেশকী ওইবা লেন্দ লো অসি য়াম্না নীংথিনা চৎনহৌই। লেন্দ লো অসিগী মতুংইন্না চৎনগদবা কাঙলোনশিং ঙাক্লা লৈহৌই। অসিগুম্বা থৌরাং অসি য়াম্না অফবা অমনি।

হন্দক হিমাচল প্রদেশতা চৎলুবা অদুদা দলাই লামাগসু উনরকখি। দলাই লামাগা উনখিবা অদুদা মণিপুরদা মমাংদা অমুক্তা লাকপীদে হায়না পল্লুবদা ইনভাইট তৌরক্তবগী ৱাফম পল্লকখি। ইনভাইট তৌরক্লবদি করিগী লাক্তনি হায়বা ৱাফমসু থল্লকখি। মণিপুরদা লাকপীনবসু হায়রমখি।

ইন্টরনেসনল পীছ কনফরেন্স অমা মণিপুরদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মসিদা লাকপীনবগী মতাংদা ৱারী শানবা অদুদা নীংশিংলমখিবনি। অথুবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগসু নীংথিনা তানদুনা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনচিংবা শেল্লগা দলাই লামাবু লাকপীনবা চেবাউ অমা থারগনি। কফরেন্স অসি ওক্তোবরগী অরোয়বা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পারি। ইন্টরনেসনল পীছ কনফরেন্স অসিদা ম্যানমারনচিংবা লৈবাক কয়াদগী দেলিগেটশিংসু য়াওহন্নবা খন্ন-নৈনরি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

পি এমগী খোঙচৎ মাঙওইননা ম্যান্মারদা দীজল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ ৩নিগী খোঙচৎতা হয়েং ম্যান্মারদা থুংলগনি। খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা কংফাল লম্বীদা ঙসি হায় স্পীদ দীজল (ঐচ এস দি) মেট্রিক টন ৩০ অহানবা কন্সাইনমেন্ট ওইনা ম্যান্মারদা পীখ্রে।

বাংলাদেশতা ঐচ এস দি সপ্লাই তৌদুনা লাকখিবা নুমালিগর রিফাইনরি লিমিদেট (এন আর এল)না অহানবা কন্সাইনমেন্ট ওইনা দীজল মেট্রিক টন ৩০ নেসনল হায়ৱে-৩৭তা মোরে কষ্টম চেক পোইন্ট অমসুং তমু কষ্টম চেক পোইন্ট ফাওরগা ম্যান্মারদা খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইনিদয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি খুমাঙ চাউশিনহনবগা লোয়ননা য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিংদা হায়দ্রো কার্বোন সিনর্জি খুৎশিন্নবগী শরুক অমা ওইনা ম্যান্মারদা দীজল সপ্লাই তৌবা হৌখিবনি।

এন আর এলনা ম্যান্মারদা দীজল সপ্লাই তৌনবগী মতাংদা পরামি এনর্জি গ্রুপ ওফ কম্পেনিজগা য়ানচে অমা সাইন তৌনবা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়া-ম্যান্মার বোর্দরদগী কিলোমিটর ৪২০ লাপ্না লৈবা মরম্না এন আর এলদা দীজল সপ্লাই তৌবগী থৌরাং অসি শীন্নখিবনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্টর ধরমেন্দ্র প্রধাননা ম্যান্মার চৎলুবা মতমদা এল এন জি টর্মিনেল শেমগৎপা, রিটেল মার্কেটিং অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিং য়াওনা ওইল অমদি গ্যাস সেক্টরদা মতেং পাংননবগী মতাংদা ৱারী শানখি।

সেন্টরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মখাদা ও এন জি সী বিদেশ লিমিটেদ, গেল ইন্দিয়া লিমিটেদ অমদি ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদনচিংবা ইন্দিয়ন কম্পেনিশিংনা ম্যান্মারদা ওফিস হাংদোরকপা য়ানা লৈরে। ও এন জি সী বিদেশ লিমিটেদকীদি য়াঙ্গোনদা ওফিস অমা লৈরিবনি।

এন আর এলনা ম্যান্মারদা পেরাফিন ৱেক্স মেট্রিক টন ১৭০০ এক্সপোর্ট তৌবা লৈখ্রে। চহী অসিগী হৌগৎলকপদা ইন্দিয়ানা চহী ২৫০০ শুরবা স্বেদাগোন পেগোদাদা ৱেক্স কেন্দল কয়ামরুম খুৎশিন্নবসু লৈখ্রবনি।

অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএন এস) : কংলৈ ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কেদো) গী নহা ওইরিবা থৌমী অমা ঙসি অয়ুক অঙনবদা টেম্পররি মার্কেটতা ৱান্থরকপদগী রিমস হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা কেদোগী থৌমী অদুগী মমিংনা থোকচোম লকি (২২) অপোকপা লৈখিদ্রবা টিঐচ তোম্বা কৌই। মহাক লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা তখেল অৱাং লৈকায়দা লৈবনি।

থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা টাটা গাড়ী অমদা হাপ্লগা কেদোগী...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এন এস সী এন (কে) ১ হাৎখ্রে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী): য়ুল্লোন্নবা ম্যান্মারদগী ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিংনা চথোক চৎশিন তৌবা লম্বী থিংজিন্নবগী পান্দমদা আর্মিনা নোংপোক থংবা অরুনাচল প্রদেশতা চথখিবা ওপরেসন অমদা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালেন্দ-খপ্লাং (এন এস সী এন-কে)গী লালহৌবা অমা হাৎপা ঙমখ্রে।

দিফেন্সকী সোর্ছ অমনা হায়খি, থৌদোক অদু ম্যান্মারগা লোন্নবা অরুনাচল প্রদেশকী লোংদিং দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা বোটনু খুঙ্গং মনাক্তা থোকখিবনি। নাকল অনী খুৎ থোক্ল খিবদা লালহৌবা অমগা আর্মি জৱান অমগসু অশোক-অপন নংখি।

ঙসি অয়ুক চথখিবা ওপরেসন্দা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা এন এস সী এন (কে)গী লোৎফম অমা থুগাইখিবগা লোয়ননা এ কে-৪৭ রাইফল অমা অমসুং নোংমৈ মরু রাউন্দ কয়ামরুম ফংবা ঙমখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লালহৌবশিংগী লোৎফম থিবা হুন্বগী থবক চথরিঙৈদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। আর্মিনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা এন এস সী এন (কে)গী মরুওইবা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অমা অশোক-অপন নংখি। অতে মিলিটেন্টশিংদি অশুকপা উমং ফাওরগা নান্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না দিফেন্সকী সোর্ছনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী কুনু খুঙ্গংদা সিক্যুরিটি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : চাইল্ড ট্রাফিক্কিং এন্দ চাইল্ড সেক্সচুয়েল এসোল্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা কন্সল্টেটিব প্রোগ্রাম অমা চাইল্ড রাইটস এন্দ য়ু, ন্যু ইরা ইনভাইরোনমেন্টেল এন্দ দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা শীন্দুনা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচা, এস দি পি ও মোরে লোরেঞ্জ কে মোনলৌ অমদি তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা দেজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এস পি ইবোমচানা অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিংগী লো চৎনহন্নবা হোৎনবদা পুলিস দিপার্টমেন্টনা মায়োক্লরিবা শীংনবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

নুপীশিংনা মশাগী রাইটকীদমক থেংনগদবনি : গভর্নর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচ এন এস): নুপী ওইবীশিংনা মশাগী ফংফম থোকপশিং (রাইট) ফংনবগীদমক হনবা লৈতনা থেংনবা মথৌ তাই হায়না মণিপুরগী গভর্নর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

রাজ ভবনগী দরবার হোলদা ঙসি *নঙনা কপ্পা পকচদে* কৌবা এম এম ৩৫গী মণিপুরী সেলুলোইদ ফিল্ম অমা য়েংলবা মতুংদা গভর্নরনা হায়খি, নুপীশিংনা নিবগী মহুত্তা মনীং-মখা তম্না নাইতোম হিংবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়বা পাউজেল পীবা ফিল্ম অসি ইচম চম্বা তারবসু য়াম্না ফজবা মওংদা পুথোকই।

নুপীশিংদা মতিক ময়াই হাপকৎনবগী মতাংদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা থবক কয়া তৌদুনা লাকপদা মালেমগী অতে মফম কয়াদসু নুপীশিংনা হন্থবা থাক্তা হিংবগী ফীভম থেংনরকখি।

আফ্রিকাগী নুপী অমগা ৱারী শানরকখিবগী থৌদোক নীংশিংলদুনা গভর্নরনা হায়খি, আফ্রিকাগী নুপী অদু নুমিৎ খুদিংগী শীং চল্লুরগা ইমুংগী চাক-ইন্সাং থোংদুনা মচা অমদি মপুরোইবা পীজবগী থৌদাং লৌই। মপুরোইবা অদুদি থবক অমত্তা শুদে। মালেমগী মফম অয়াম্বদা অসিগুম্বা থৌওং অসি হেক হেক থেংনৈ। অদুবু হৌজিক্তি অহোংবা ফীভম অমা লাক্লে হায়বা ফিল্ম অসিনা পাউজেল পীরি।

ঙসি উৎখিবা *নঙনা কপ্পা পকচদে* হায়বা ফিল্ম অসি হিন্দী লোলদা দব তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লুদুনা গভর্নরনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

কলচরনা ঐখোয় পুনশিন্নবগী লম্বী পী : নিংথৌ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): কাঙলুপ কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা পুনশিন্নবগী লম্বী আর্ট এন্দ কলচরনা পী। মসিবু য়োকখৎপা চঙই হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঙসি রুপমহল থিয়েটর ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা চীং-তম ত্রেদিস্নেল কলচর ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ওল মণিপুর হুইয়েন লাল্লোং এন্দ ত্রেদিস্নেল কলচর প্রিজর্বেসন কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮ ফাওবা চথগদবা চীং-তম ত্রেদিস্নেল কলচর ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরমদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, কাঙলুপ খুদিংমক্কী জগোয় ঈশৈ অমদি নাৎকী শক্তম কয়া অসি পুনশিল্লগা লমদম অসিগী অপুনবগী কলচর ওইগদৌরিবনি। খুন্নাই অমগী মশক তাক্লিবা আর্ট এন্দ কলচর কন্নবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি। মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনসু হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা চুমই। লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী ওইনা নাৎকী ওইবা শক্তম অসি কন্নবা ঐখোয় পুন্নমক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি।

হন্দক চহীগী মেরা হৌচোংবগী থৌরমসু মণিপুর লৈঙাক্লা খুৎশম্নরগা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থবকশিং সনা কোনুংনা তৌগনি। কংলাদসু লাইনিং লাইশোলগী ওইবা থবকশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শারি। মেরা হৌচোংবগী থৌরম অসি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অমত্তা ওইবা য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমনি। মেরা হৌচোংবদি কাঙলুপ খুদিংমক্কী অপুনবগী ওইবা মশক তাক্লিবা থৌরমনি।

থৌরম অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নদুনা নুংশি চান্নবগী মশক অদু উৎলিবনি। আর্ট এন্দ কলচরনা মীওইববু নুংশিনহল্লি। পুনশিন্নবগী লম্বী আর্ট এন্দ কলচরনা পী। লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা নাৎ, চৎনবী পুন্নমক ঐখোয় পুন্নমক্লা অমত্তা ওইনা য়োকখৎমীন্নবগা লোয়ননা নুংশি চান্নবা লমদম অমা শেম্নবা থৌদাং লৌমিন্নসি। অপুনবা মণিপুর শেম্বদা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌবা চঙই।

চীং-তম ত্রেদিস্নেল কলচর ফেষ্টিবেল পাঙথোকপসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা চীং তম অনীমক্কী ফুরুপ খুদিংমক্লা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

LOAN AVAILABLE

মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokdaobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/2145/26/8-26/9

ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টশিংগীদমক০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্লেয়র নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫